



*কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিং তোকখিবদগী ফোরমুলা ৱানদা স্কীল চাংয়েং তৌগদৌরিবা ইংলেন্দগী ক্রিকেট্টর বেন ষ্টোক্স*

*অয়াবা য়াওদনা ম্যুনিক থাদোকখিবগীদমক বেয়র্ন ম্যুনিক ক্লবনা ফাইন তৌখ্রবা ক্লব অসিগী দিফেন্দর জেরোমি বোটেং*



## টোকিও গেমসকী মতাংদা শৌগৎলকপগী আই ও সিগী চীফনা পিএম মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি)ঃ*

হন্দক্তা ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা জি২০ লিদরস সম্মিটতা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী মতাংদা শৌগৎপিরকখিবা অমসুং মপুং ফানা কো–ওপরেসন পীরকখিবদগীদমক ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কাউন্সিলগী চীফ থোমাস বেকনা প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবনি।

আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ইরকখিবা চিঠিগী মরোলদা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা মথং চহী ২০২১ দা য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক মতাংদা মপুং ফানা শৌগৎপিরকপা অদুদা থোমাস বেকনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎ ৱাহে ফোঙদোরকখি।





ভিদিও কনফেরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা জি২০ লিদরস সম্মিট অদুদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পীখিবা এক্সত্রাওর্দিনারি ওইরবা ষ্টেটমেন্ট অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। কোভিদ–১৯ না অঙকপা ফংনা শোকহল্লবা মালেম অসিদা আই ও সিনা লৌরক্লিবা থৌদাংশিং অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা শিংথাখি।

মমাঙ চহীদা জপানগী সিটি ওসাকাদা পাঙথোকখিবা জি২০ লিদরস সম্মিটতসু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী মতাংদা মপুং ফানা শৌগৎপিরকপগী ৱাফম কয়া থমখি। মহাক্না মালেমদা লৌরক্লিবা রোল অসিদা আই ও সিগী প্রসিদেন্টনা নুংঙাইবা উৎখি।

কোভিদ–১৯গী লায়চৎনা মালেমগী মফম কয়াদা ফিভম হেন্না শোকচিল্লকপদগী তোঙান–তোঙানবা শান্নবগী বোদি অমসুং এথলেটশিংনা চহী অসিদা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা টোকিও গেমস অসি মতম খরা য়ৈথোক্লবা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখিবনি।

ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি অমসুং টোকিও গেমস ওর্গনাইজরনা ফিভম অসি কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং গেমস অসি কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্লবা য়ৈথোকখিবনি। গেমস অসিগী মতাং দা আই ও সিনা অনৌবা মতম কুমজা ২০২১ গী জুলাই ২৩ দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোক্লবগী শেম শাবা হৌখ্রে।

আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাফমশিং অদু শৌগৎলদুনা কোভিদ–১৯গী লায়চৎ অসি লৈরগসু জ পাননা গেমস অসি মপুং ফানা শেমগৎপা লেপত্রি। জপানিজ পার্টনর অমসুং ফ্রেনশিংনা গেমস অসি মপুং ফানা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অসি য়াম্না শিংথানিংঙাই ওই। টোকিওদা শেমগৎলিবা মওং অসি ওলেম্পিক্সকী পুৱারিদা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি।

জি২০গী লিদরস সম্মিটনা য়াম্না থাজবা অমগা লোয়নননা শৌগৎপিরকপনা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি খ্বাইদগী হেন্না পায় পাক্লা পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি হায়না আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা মহাক্কী ওইবা ৱাফম থমখি।

ওলেম্পিক গেমস ২০২০ অসি মালেমগী অপুনবগী খূদম অমনি। গেমস অসিদা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিশিং অমসুং আই ও সিগী রিফ্যুজি ওলেম্পিক টিমদগী লাকপা খ্বাইদগী ফজবা এথলেট ১১,০০০ না অথোই–অহেন তান্নদুনা অমুক্কা হেন্না অপুনবগী পাঙ্গল অদু উৎপা ঙম্লগনি হায়না থোমাস বেকনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লীগ তোকখিবদগী ক্লব ব্রজ বেলজিয়ম ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইনা লাওথোকখ্রে

*ব্রুজেলস, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি)ঃ*



কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা মালেমগী শান্নবগী লমদা চাওনা অকায়বা পীরক্লিবা অসি য়েংলগা বেলজিয়মদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ফার্ষ্ট দিভিজন এ তোকখিবদগী টেবলগী মকোক ওইরিবা ক্লব ব্রজনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইরে হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে।

টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা ক্লবশিং পূম্নমক মেটচ ২৯ / ২৯ শান্নখ্রে। ক্লব ব্রজনা মেটচ ২৯ শান্নবদা মেটচ ২১ মায় পাকপা, মেটচ ৭ দ্রো চৎলগা মেটচ অমনা মায়থিবা নংলগা পুন্না পোইন্ট ৭০ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা গেন্টতগী পোইন্ট ১৫ মাঙজিল থাদুনা চৎলিবনি।

পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা গেন্টনা মেটচ ২৯ শান্নখিবা মেটচ ১৬ মায় পাকপা, মেটচ ৭ দ্রো চৎলগা মেটচ ৬ মায়থিবা নংলগা পোইন্ট ৫৫ ফংলি। অদুগা স্পোর্টিং চারলেরোইনা মেটচ ২৯ শান্নবদা মেটচ ১৫ মায় পাকপা, মেটচ ৯ দ্রো চৎলগা মেটচ ৫ মায়থিবা নংদুনা পুন্না পোইন্ট ৫৪ ফংলগা গেন্টতগী শুপ্নগী পোইন্ট অমখক শোথরগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

প্রো লীগ বোর্দনা টোপ দিভিজন অনীগী ক্লব ২৪ দা লীগ টুর্নামেন্ট অসি তোকপগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। অতোপ্পা ক্লব ১৭ তা সিজন অসি তোক্লগনি হায়বগী ৱাফম মমাঙ চয়োলদা থমখ্রবনি।

মীওই ৫ না শেম্বা গ্রুপনা মথং সিজনগী য়ুরোপিয়ান ক্লব কম্পিটিসনগী রেলিগেসন অমসুং প্রমোসনগী মতাংদা ৱারেপ লৌগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ক্লব ব্রজ বেলজিয়নগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মরম্না মথং চহীগী য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগতা ক্বালিফাই ওইরগনি। অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবা গেন্টসু চেম্পিয়ন্স লীগকী মফম ফংলবা য়ারি। মসিগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী ক্লব অহুমসু মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা য়ুরোপা লীগতা শান্নবা য়াওবগী মফম ফংলিবনি।

ৱার্কিং গ্রুপ অসিনা বেলজিয়ান কপগী ফাইনেল অদু ক্লব ব্রজ অমসুং এন্টৱের্পনা মাচ ২২ দা ব্রুজে লসতা শান্নবা মতম লেপখিবনি অদুবু কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী য়ৈথোকখ্রবনি।

মেদিয়ানা ঙসি ফোঙদোরকপা রিপোর্টতা সেকেন্দ দিভিজনগী ফাইনেল মেটচ বিয়রস্কোট অমসুং ও ঐচ লিউভেন শান্নবা শেম শারি। মেটচ অসি লৈঙাক্লসু শান্নবদা অয়াবা পীরি।

য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা চথরিবা লীগ টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকখ্রবসু য়ু ই এফ এনা মিটিংদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না সিজন অসিগী লেমহৌরিবা মেটচশিং অদু ওগষ্ট ফাওবা মনুংদা লোয়শিন্নবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু য়ুরোপকী মফম কয়াদা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা শোকহল্লকপা হেল্লকপদগী লীগ টুর্নামেন্ট অমত্তা হৌজিক ফাওবা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি।

## আই টি টি এফকী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা অহোংবা লৈরোই

*সিওল, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা ইভেন্টশিং য়ৈথোকখিবদগী হৌজিক লৈরিবা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা অহোংবা লৈরোই হায়না ইন্টরনেসনেল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি টি এফ) না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা টেবল টেন্নিসকী টুর্নামেন্টশিং মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবদগী মার্চ থাদা লাওথোকখিবা রেঙ্কিং লিষ্ট অদুদা অহোংবা লৈরোই হায়না আই টি টি এফকী মায়কৈদগী ঙসি জিনহুৱা এজেন্সিদা লাওথোরকখিবনি।

রেঙ্কিং অসি মার্চ থা ফাওবগী পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংগী মতুং ইন্ননি। ২০২০ আই টি টি এফ চেলেঞ্জ পোলিস ওপনসু কোভিদ–১৯ গী অকিবা লৈবদগী য়ৈথোকখ্রবনি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙদা আই টি টি এফকী প্রসিদেন্ট অমসুং ষ্টাফশিংনা মশা–মশানা য়ানা কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা কুমজা ২০২০ দা মখোয়গী তলব ককপদা য়াখিবনি।

কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা দিসিপ্লিন অসিগী টুর্নামেন্ট কয়ামরুম য়ৈথোকখ্রে। আই টি টি এফনা মার্চ ২৯ দা ইন্টরনেসনেল টেবল টেন্নিস ইভেন্টশিং লাক্লিবা জুন ৩০ ফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়না লাওথোকখিবনি।

## হান্নগী ক্রিকেট্টর গম্ভীরনা কোরোনাভাইরসকী ফন্দদা চহী অনীগী তলব মতেং পাঙখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি)ঃ*

হান্না ক্রিকেট্টর ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ান ওইরিবা গৌতম গম্ভীরনা লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ লায়চৎ থেংননবা মহাক্কী থা অনীগী তলব প্রাইম মিনিষ্টর কেয়র্স ফন্দদা মতেং পাঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবা গৌতম গম্ভীর ভারতিয়া জনতা পার্টিদা য়াওদুনা ইষ্ট দিল্লিদগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওইরকখিবনি। মীয়াম্না হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা গৌতম গম্ভীরনা মহাক্কী চহী ২ গী তলব অদু কোভিদ–১৯ থেংননবগীদমক মতেং পাঙখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, গৌতম গম্ভীরনা মহাক্কী নোংমগী তলব অমসুং এম পি এল এ দি ফন্দদগী লুপা ক্রোর অমসু মতেং পাঙখ্রবনি। ওফিসিয়েলগী মতুং ইন্না কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা মীওই ৫০ হেন্না শিখ্রে অদুগা মীওই ২০০০ রোমনা নাহন্দুনা লৈরি।



কোভিদ–১৯ লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মুম্বাইদা পাঙথোক্কদবা ক্রিকেট মেটচশিংসু সস্পেন্দ তৌখ্রবনি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মেটচশিং শান্নরক্তবদগী ক্রিকেট অম্পয়র অমসুং স্কোররশিং মেটচশিং শান্নবা লেপখিবদগী শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি।

অম্পয়রগী গ্রুপনা মখোয়গী হিংননবগীদমক লোকেল মেটচশিংদা পান্দম থল্লক্লি। মখোয়গী থৌদাং অসিদা মমাঙদা মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম সি এ)গী মেনেজিং কম্মিটি মেম্বর অমসুং এক্স বি সি সি আই অম্পয়র গনেস আয়রনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অম্পয়রশিংনা 'লেন্দিং এ হেন্দ' হায়বা গ্রুপ অমা শেম্লে। গ্রুপ অসিনা ক্রিকেটতা দিপেন্দ তৌদুনা হিংলিবা অম্পয়র অমসুং স্কোররশিংদা মতেং পাঙগনি।

মেম্বরশিংনা মশানা য়ানা লুপা ৩০০০ / ৩০০০ কন্ট্রিবুট তৌগদবনি। ঐখোয়না লোকেল মেটচশিংদা দিপেন্দ তৌবা অম্পয়রশিং অমসুং স্কোররশিং খঙদোক্লে। হৌজিক ফাওবদা ফন্দ লুপা ২.৫ লাখ য়ৌরে হায়না আয়রনা মখা তাখি।

## এন আর এ আইদা দিল্লি ৱার্ল্ড কপ য়ৈথোক্লবা হায়রক্লি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী ম্যুনিক্কী সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ য়ৈথোকখ্রবা মতুং নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা সুট্টিং ৱার্ল্ড তোক্লবা অকনবা প্রেসর পীরক্লি।

দিল্লিদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা সুট্টিং ৱার্ল্ড অসি মার্চ ১৫ দগী ২৬ ফাওবা চথনবা মতম লেপখিবনি। অদুবু কোভিদ–১৯ লায়চৎনা মরম ওইরগা ইভেন্ট অসি পাঙথোক্কদবা নুমিৎ মরিনি ৱাৎলিঙৈদা য়ৈথোকখিবনি।

দিল্লিদা পাঙথোক্কদবগী সেদ্যুল লৈরিবা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসি পার্ট অনী থোক্না পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি। রাইফল অমসুং পিষ্টোল কম্পিটিসন্না মে ৫ দগী ১২ ফাওবা অদুগা সোটগন কম্পিটিসন্না জুন ২ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্লবগী রি–সেদ্যুল তৌখ্রবনি।

কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু তোকখ্রবনি। লায়চৎ অসিনা স্পোর্টসকী কেলেন্দরদা য়াম্না ফিভম শোকচিহল্লি। ফিভম অসিদা এথলেটশিংনা কম্পিটিসন অসিদা য়াওবা হায়বসি রিক্স য়াম্না লৈ। মরম অসিনা দিল্লি সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসি তোক্লবা মালেমগী বোদি কয়ানা নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা অকনবা প্রেসর পীরকপনি হায়রি।

## ওষ্ট্রেলিয়ান হোক্কী গোলকিপর রাচেল লিনচ কোভিদ–১৯ থেংননবা নর্সকী থৌদাং লৌরি

*পর্থ, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা মালেমগী মফম কয়াদা শোকহল্লক্লিবা অসিদা মতেং ওইননবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী হোক্কী টিমগী গোলকিপর রাচেল লিনচ নর্সকী লম্বীদা খোঙদারকখ্রে।

রাচেল লিনচ ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী হোক্কী টিমদা গোলকিপর অমা ওইনা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ২২৩ শান্নদুনা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইনি। মহাক রেজিষ্টার তৌরবা নর্স অমসু ওইরিবনি।



কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী চহী অসিদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা টোকিও ওলেম্পিক গেমসসু মথং চহীদা য়ৈথোকখ্রবনি। গেমস অসি য়ৈথোকখিবদগী রাচেল লিনচ ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপিটেলদা লৈবা কোভিদ–১৯গী ক্লিনিক অনীদা থবক তৌনবা রেজিষ্টার তৌখিবনি।

য়ুরোপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী শেম শাবা ওইনা টুর চৎকদবা অদুসু কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা তোকখ্রবনি। রাচেল লিনচনা ৱার্ক–লাইফ বেলেন্স ওইননবা চয়োল অমরোমগী মমাঙদা ন্যুরো–রিহেবিলিটেসন ৱার্দতা থবক তৌবা হৌখ্রবনি।

ঐহাক্না গ্রেজুয়েট লোয়রবা মতুংদা ফুল টাইম ওইনা নর্সকী থবক তৌবা ঙমখি। লৈবাক অসিনা নর্স অমসুং হেলকেয়র ৱার্করশিং লৌনবা অকনবা থবক চথরি। মসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা মহাক্না নর্সকী থৌদাং অসি লৌরকখিবনি হায়রি।

কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্না চৎথোক–চৎশিনদা অথিংবা থম্বা অমসুং অমগা অমগা লাপথোক্লনা লৈনবগী পোলিসি কয়া য়াৎখ্রে। অদুম ওইনমক ওষ্ট্রেলিয়াগী মফম খরা অমসুং অতোপ্পা মফম খরদা মীয়াম পুল্লিবা অসি উবদা ঐহাক নুংঙাইতবা ফাওই।

মীওই অমা হেক্তঃনা হোস্পিটালদা লাকপা হায়বসি খুদোংথিবা হেনগৎলক্লবনি হায়না রাচেল লিনচনা মখা তাখি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াদা মীওই ২৪ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ৫০০০ হেনবনা নাদুনা লৈরি।

ঐহাক্না নর্সকী থৌদাং লৌরগসু ওলেম্পিক্সকী খুদোং চাবদি মাঙহল্লোই। ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী হোক্কী টিম কুমজা ২০১৬ কী রিও ওলেম্পিক গেমসতা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখি অদুগা ৱার্ল্ড কপ্তা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

## সৌরভ গাঙ্গুলি গ্রেটেষ্ট ইন্দিয়ান এলবেনদা স্কীপ্পর ওইনা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী স্পিন লিজেন্দ সেন ৱার্ননা ইন্দিয়াগী মমাঙদা স্কিপ্পর ওইরম্বা অদুগা হৌজিক–হৌজিক বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৌরভ গাঙ্গুলিবু মহাক্কী গ্রেটেষ্ট ইন্দিয়ান এলভেনগী স্কীপ্পরগী মনুংদা য়াওহনখ্রে। অদুবু ভি ভি এস লক্ষমননি য়াওবা ঙমখিদ্রে।

সেন ৱার্ননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না মমাঙগী স্কিপ্পর মহেন্দ্র সিংহ ধোনি অমসুং হৌজিক্কী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলি লৌখৎখিদে। মরমদি মখোয় ঐহাক্না শান্নরকখিদে। অদুবু ধোনি খ্বাইদগী ফবা ৱিকেটকিপর বেটসমেননি অদুগা ভিরাট কোহলিনা ফোরমেট খূদিংমক্তা খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেননি হায়না মহাক্না শিংথাখি।

মশাগী চহী ৫০ শুরবা স্পিন লিজেন্দ অসিনা ভিরেন্দর সেৱাগ অমসুং সিধুসু বেট্টিং লাইন অপদা য়াম্না ফজখিবদগী য়াওহনখি। মখোয়গী মরক্তা রাহুল দ্রাভিদ, টেন্দুলকর অমসুং মোহমদ অজারুদ্দিনসু য়াওরি।

সেন ৱার্ননা খনখ্রবা ওল টাইম ইন্দিয়ান এলবেন অদুদি– সৌরগ গাঙ্গুলি (কেপ্টেন), ভিরেন্দর সেৱাগ, নভজোট সিধু, রাহুল দ্রাভিদ, সচিন টেন্দুলকর, মোহমদ অজারুদ্দিন, কপিল দেব, নয়ান মোঙ্গিয়া (ৱিকেটকিপর), হরবজন সিংহ, জবগাল স্রিনাথ অমসুং অনিল কুমব্লেনি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৭৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | H | I | ■ | L | U | R | E | ■ | ■ | F | A | N | G | S |
| Z | A | P | ■ | A | N | A | L | ■ | A | U | D | R | E | Y |
| A | D | O | ■ | F | A | D | E | ■ | R | E | W | A | R | D |
| R | I | D | E | A | B | I | C | Y | C | L | E | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | X | Y | L | O | ■ | E | A | S | E | U | P | ■ |
| G | I | F | T | E | E | ■ | B | A | D | ■ | K | N | E | W |
| I | N | E | R | T | ■ | W | A | R | I | O | ■ | I | R | A |
| B | R | E | A | T | H | E | I | N | A | N | D | O | U | T |
| B | O | B | ■ | E | A | S | T | S | ■ | T | E | N | S | E |
| S | A | L | T | ■ | M | L | S | ■ | C | H | A | S | E | R |
| ■ | D | E | A | R | M | E | ■ | P | O | E | T | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | T | I | E | Y | O | U | R | S | H | O | E | S |
| V | I | C | T | O | R | ■ | D | R | O | P | ■ | K | I | P |
| A | D | U | L | T | S | ■ | I | S | N | O | ■ | G | N | U |
| N | O | D | E | S | ■ | ■ | N | E | A | T | ■ | O | E | R |

